ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

সেরিকলচর মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইবু সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা এম এস পি এম সী শঙ্গাইপাৎতা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংহনখিবা

লামায় ৬

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংবলদা লৈবা ফিশরি অমসুং সেরিকলচর ওফিসকী মনাক্তা শকখঙদবশিংনা হুন্দোক্লমখিবা পি পি ঈ অমদি হেন্দ গ্লোবশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা

লামায় ১

ককচীং লৌশি লৌকোলগী কিলোমিটর ২ রোম শাংবা চীংয়া লম্বীগী কোমকুৎশিং লৌমীশিংনা অঙন্বা শেল খায়গৎনদুনা শেমজিনবা হৌখিবগী শক্তম

লামায় ২

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফমশিংদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী ফীভম এম এল এ অসব উদ্দিননা ওফিসলশিং অমদি সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংগা পূন্না য়েংশিনখিবা

লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.074 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ১৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, June 09, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মীওই ১১০ পুং ৩০গী মনুংদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে, কেস মশীং ২৮২ শুরে

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী জেনরেল ৱার্দ খূদক্তগী কোভিদ-১৯ আইসোলেসন ৱার্দ ওন্থোক্তুনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৩৪ লায়েংবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা অহানবা ওইনা মীওই ১১০ পুং ৩০গী মনুংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ দগী ঙসি অহিং নোংয়াই ফাওবদা পূন্না সেম্পল ৮৩৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অসিনা মণিপুরদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং খংহেন হেনগৎলক্তুনা ২৮২ শুরে।

মীওই ১১০ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অসিগী মনুংদা মীওই ৩৭ তি ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়বা কনফর্ম তৌখিবনি। অদুগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ ফাওবদনা মীওই ৬৩ অমসুং মীওই ১০ অমনা নুমিদাং অথেংবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি।

ঙরাং নুমিদাং থেংনখিবা কেস ৩৭অদুগী মনুংদা ২২না রিমসকী ভি আর দি এলদা অমসুং ১৫না জেনিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওই ৩৭ অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা ১১ অমসুং নুপী ২, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা ৮ অমসুং নুপী ৪, ককচীং দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা ২, কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী ৫, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা ২, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা ২ অমসুং উখ্রুলদগী নুপা ১নি। মীওই ৩৬ অসিগী মনুংদা ২৬না দিল্লিদগী হল্লকখিবনি। অদুগা মুম্বাইদগী মীওই ৯ অমসুং উত্তর প্রদেশতগীনা মীওই ২ হল্লকখিবনি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ ফাওবদা থেংনখিবা কেস ৬৩ অদুগী মনুংদা ২৪না রিমসকী ভি আর দি এলদা অমসুং ৩৯না জেনিমসকী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ফ্লাইট মরিদা পেসেঞ্জর ৬৭৭ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর ৬৭৭ ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মরিদা কোলকাটা অমদি দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.২৭ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা (ইন্দিগো ৬ ঈ ২৫১) ফ্লাইট অমদা নুপা ১৩৩, নুপী ৪৬, অঙাং ৭ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৮৬ রোম থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা অমুক অয়ুক্কী পুং ১০.১৫ রোম তাবদা নুপা ৯৮, নুপী ১৩,

...মখা লামায় ৩ কলম ২

পুলিসনা মীওই ৪৪১ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা থল্লিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা লাকপশিং ঙসি পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী পূন্না মীওই ৪৪১ দিটেন তৌদুনা ফাইন থীহনখ্রে। লম্বীদা মাস্ক উপ্তবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিংসু পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ৪৪১ গাড়ী কয়াগা কোন্ননা দিটেন তৌখি। পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদু মরী লৈনবা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোক্লগা পূন্না লুপা ৭১,৩০০ ফাইন ওইনা থীহল্লগা থাদোকখি হায়রি।

য়ুঙাং পুরকপা ট্রক অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিকর (আই এম এফ এল) গাড়ী লোদ তঙ্খায় অমা হাপ্তুনা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা ট্রক অমা নুঙবাদগী বরাকলোমদা কিলোমিটর ৪ রোম চৎলগা লৈবা এরিয়াদগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিংনা ফারে। ফারবা য়ুঙাংশিং অদু নুঙবা পুলিস অমদি এক্সাইজদা শিন্নরগনি হায়রি।

HL Poll

Q: Masa-masagi state ta halhankhraba migrant workersingda leingakna hingnabagi lambi piba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Pak shanna test tourabadi Manipur da COVID-19 gi case mashing amukka henna yamlamba thengnagani khanbra?

Yes 90% No 10%

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৭৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.৭৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ওজানা হন্দক থৌনা ফবা হায়বা মিংথোল ফংবীরিবসি করি মতাংদনো?

- ꯑꯣꯖꯥꯅꯥ ꯍꯟꯗꯛ ꯊꯣꯟꯅꯥ ꯐꯕꯥ ꯍꯥꯏꯕꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯐꯪꯕꯤꯔꯤꯕꯁꯤ ꯀꯔꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯅꯣ?



- জগোই শাবগী মতাংদনি...!

- ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯅꯤ...!

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মলেরিয়া শন্দোরকপদগী মীওই ৪ শিখ্রে

কোভিদ দ্যুটিদা শীজিন্নরিবা দিষ্ট্রিক্ট মলেরিয়া ওফিসরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট কন্সল্টেন্টশিং হান্নগী মথৌদা হল্লকহনবীনবা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী কেস মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা অমদি লাইচৎনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক্না অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মলেরিয়া শন্দোরকপদগী হৌখিবা চয়োল ২গী মনুংদা কেস ১১ থেংনখ্রে, মীওই ৪ শিখ্রে।

নেসনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (এন ভি বি দি সী পি) মণিপুরগী ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসরগী ওফিসতগী ফংবা পাউ অমগী মতুংইন্না হৌখিবা চয়োল অনীগী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা মলেরিয়াগী কেস ১১ থেংনবগী মনুংদা মীওই ৪ শিখ্রে। মলেরিয়া নাবদগী শিখ্রবা মীওই মরি অসিগী মনুংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী চহী ১৪গী নুপীমচা অমা য়াওনা পূন্না নুপী ৩ য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা অমনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুইকোটতগী মশাগী চহী ৪৭ শুরবা নুপা অমনি।

ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসরনা লুচিংবা টিম অমনা মতীক চাবা চেকশিন-থৌরাংশিং খূদক্তা লৌখিবা মরম্না মণিপুরগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা লায়না অসি কা-হেন্না শন্দোরক্তবনি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট মলেরিয়া ওফিসর অমদি দিষ্ট্রিক্ট কন্সল্টেন্ট পুম্নমক কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা দ্যুটি তৌখিবা মরম্না মলেরিয়াগী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে। কোভিদকী দ্যুটিদা শীজিন্নরিবা দিষ্ট্রিক্ট মলেরিয়া ওফিসরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট ভেক্টর বোর্ন কন্সল্টেন্ট পুম্নমক অথুবা মতমদা রিলিজ তৌবীদুনা হান্নগী মথৌদা অমুক হঞ্জিনহনবীয়ু হায়না ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসরনা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা হায়জখ্রে।

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕꯥ / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুন ৩০ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/170/3-14

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী লেন্দমার্ক জজমেন্ট

হায় কোর্টনা এম এল এ ৭ এসেমব্লি চঙবদা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৭কী হাঙদুনা লৈরক্লিবা রাজ্য সভাগী সীট ১৮গী মীখল থা অসিগী ১৯দা পাঙথোক্লগনি হায়না থা অসিগী ১দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না লাউথোকখিবগা পন্থদনা মথংগী নুমীৎতা কোংগ্রেস এম এল এ ৭না পার্টিসিদগী দিফেক্ট তৌখ্রবনি হায়বা এম এল এ ৭কী মথক্তা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা পন্দুনা লৈরিবা দিসক্কালিফিকেসন পিটিসনশিং অমসুং হায় কোর্টতা পল্লিবা সিভিল রিট পিটিসনশিং দিস্পোজ তৌদ্রিবা ফাওবদি বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবনি হায়রিবা এম এল এশিং অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা চঙহনবীগনু হায়না ৱাকৎলকখিবা কেসশিংগী ওর্দরদা স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসন পিটিসনশিং অদু দিস্পোজ তৌদ্রিবা ফাওবদি এম এল এ ৭ মক এসেমব্লিদা চঙবদা হায় কোর্টনা অথিংবা থম্লে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

কুমজা ১৯৭২দা মণিপুরনা মপূং ফাবা ষ্টেট ১ ওইখিবদগী মেম্বর ৬০ লৈবা ষ্টেট এসেমব্লিগী থেংখাং নাইনা পাঙথোরক্লিবা মীখলশিংদগী হন্দক ১১রকশুবা মীখল ফাওবগী মনুংদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কারকখিবা এম এল এশিংবু এসেমব্লিদা চঙবদা অথিংবা থম্লে হায়রিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী অহানবা লেন্দমার্ক জজমেন্ট অসি ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লাউথোকখিবনি।

ঙসি কম্মন ওর্দর ওইনা লাউথোকখিবা মিসেলিনস কেসশিং অসিগী নম্বরশিংনা এম সী (দল্লিয়ু পি (সী)-৮২ ওফ ২০২০, ৮৩ ওফ ২০২০, ৮৪ ওফ ২০২০, ৮৫ ওফ ২০২০, ৮৬ ওফ ২০২০, ৮৭ ওফ ২০২০ অমসুং ৮৮ ওফ ২০২০নি। এম সী কেসশিং অসি কোংগ্রেস এম এল এশিং খুমুকচম জয়কিষন, সুর্জকুমার ওক্রম, কাংঙুজম রঞ্জিৎ, কৈশাম মেঘচন্দ্র, দি দি থাইসি, ওক্রম হেনরি অমসুং গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

অকক্নবা দুকানশিং পালি নাইনা অয়ুক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা থোঙ হাংহল্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : জুন ১৫ ফাওবা ইম্ফাল সিটি অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা অয়ুক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা অকক্নবা দুকানশিং পালি নাইনা থোঙ হাংহনগদৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, নিংথৌকাবা নুমীৎতা থাঙ্গাল কৈথেলদা ফিরোল/খোঙউপ/ষ্টেসন্নরি/ স্পোর্টস/কোল-লিক য়োনবা দুকানশিং অমসুং পাউনা কৈথেলদনা লগেজ অমদি বেগ/ষ্টেসন্নরিগী পোৎলম য়োনবা দুকানশিং থোঙ হাংহল্লগনি। লৈবাকপোকপা নুমীৎতা থাঙ্গাল কৈথেলগী ইলেক্ট্রিকেল/পেন্ট অমসুং পাউনা কৈথেলগী জেল্লরি/কোস্মেটিক/ফোটো ষ্টুদিও/আই গ্লাসকী দুকানশিং থোঙ হাংলগনি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতনা থাঙ্গাল কৈথেলগী এল্যুমিনিয়ম কন্সট্রক্সন মেটেরিয়ল/প্লাইব্রুদ/য়ুটেন্সিল অমসুং পাউনা কৈথেলগীনা ফিরোল য়োনবা দুকান (নোংপোক থংবা মায়কৈ) থোঙ হাংহল্লগনি। শগোলশেন নুমীৎতা থাঙ্গাল কৈথেলগী ইলেক্ট্রোনিক/কম্প্যুটর/মোবাইল/ৱিভিং য়ার্ন অমসুং পাউনা কৈথেলগী সাইকল/কম্প্যুটর/গ্লাস অমদি প্লাই/মোবাইল/ইলেক্ট্রোনিক দ্রাই ক্লিনরগী দুকান থোঙ হাংবা য়ারগনি। ইরাই নুমীৎতা থাঙ্গাল কৈথেলগী মোটোর পার্ট/টায়র/বেট্টরি অমসুং পাউনা কৈথেলগী ফিরোল য়োনবা দুকান (নোংচুপ থংবা মায়কৈ) থোঙ হাংবা য়ারগনি। থাংজ নুমীৎতনা থাঙ্গাল কৈথেলগী হার্দৱ্যের/সেনিটরি ফিটিং/টাইল/মার্বল অমসুং পাউনা কৈথেলগী খোঙউপ/স্পোর্টস অমসুং আই গ্লাসকী দুকানশিং থোঙ হাংবা য়ারগনি। কৈথেল অনীমক্কী অখুবা গলিদা ফম্বা অপীকপা দুকানশিংদি থোঙ হাংবা য়াখিরোই হায়রি।

মণিপুর হায় কোর্টকী জজমেন্ট তরাম্না ওকই : মেঘচন্দ্র

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : এম এল এ ৭কী কেসকা মরী লৈননা এসেমব্লীগী ট্রাইব্যুনেলদা লৈরিবা কেস অসি লোইদ্রিবা ফাওবা এম এল এ ৭ এসেমব্লী কমপ্লেক্সতা চঙবা য়ারোই হায়না হায় কোর্টনা তাখিবা ওর্দর অদু তরাম্না ওকই হায়না এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা এম এল এ মেঘচন্দ্রগী ক্বার্টরদা পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা হায়খি, এম এল এ ৭কী দিসক্কালিফিকেসন কেস থাঙ্গৎখিবা অদুগা মরী লৈননা হায় কোর্টনা তারক্লিবা ওর্দর অসি য়াম্না লেনমার্ক ওইবা জজমেন্টনি। অসিগুম্বা ওর্দর অসি ঈকায় খুম্নে। এসেমব্লীগী স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা লৈবা কেসকী মতাংদা কোর্টনা দিরেক্সন পীরকপা কয়া য়াওরি। কেসকা মরী লৈননা পীরক্লিবা দিরেক্সন অসি লো লৈ হায়বসি খনবা মতম ওইরে। ট্রাইব্যুনেলদা লৈবা কেস লোইশিন্দবা অসিনা দিরেক্সন পীরকপনি। মমাঙদসু সুপ্রীম কোর্টনা দিরেক্সন পীরকপা লৈখ্রে। মণিপুর দিমোক্রেসি ফেল ওইরে হায়বা তাক্লে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

শীজিন্নরুরবা পি পি ঈ অমদি হেন্দ গ্লোবশিং হুন্দোক্লম্বদগী মিপাইনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংবলদগী শঙ্গাইয়ুম্ফম তাবা লম্বীগী অশোংবা মফম অমদা শীজিন্নরুরবা পি পি ঈ (পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপ্টমেন্ট) অমদি হেন্দ গ্লোবশিং শকখঙদবশিংনা হুন্দোক্লম্বদগী মীয়াম্না মিপাইবা পোক্লখ্রে।

পি পি ঈ অমদি হেন্দ গ্লোবশিং অদু ৱাংবলদা লৈবা ফিশরি অমদি সেরিকলচরগী ওফিস মনাক্তা তারম্বা থেংনরকখিবনি। শকখঙদবা খরনা শীজিন্নরুরবা পি পি ঈ অমদি হেন্দ গ্লোবশিং অদু হুন্দোক্লম্লে হায়বা পাউ তাবদগী কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর খাঙবোক এ সীগী লমজিং মখাদা টি এফ এ সী ১৯ অমদি সনিলৌ য়ুঠ ক্লবকী থৌমীশিংনা মফম অদুদা লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুং পোৎলমশিং অদু মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মিপাইবা কয়া পোক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা শকখঙদবশিংনা পি পি ঈ অমদি হেন্দ গ্লোবশিং মফম চাদনা হুন্দোক্লম্বা অসিনা খুল থংননা লৈরিবা মীয়ামগী মরক্তসু নুংঙাইনদবা থোকহল্লকপা য়াই। মরম অসিনা মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক-হন্দনবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না মীয়াম্না লৈঙাক্কী পূক্নিংসু চিংশিল্লক্লি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলক্কদবা ৱাংলি : এইমসকী দিরেক্টর

পি আই বিগী দিরেক্টর জেনরেল পোজিটিভ ওইরে, ন্যু জিলেন্দদা কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৮ (এজেন্সী) : ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী দিরেক্টর ডা. রন্দিপ গুলেরিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়াদা মতোল লোম্না কোভিদ-১৯গী কেস মশীং য়ামখৎলক্কদবা ৱাংলি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লায়না-লাইচৎ অসি মতোল লোম্না শন্দোকপগী চাং খেন্নগনি। অকক্নবা হীরম খরদা লোকদাউননা কান্নবা পীরবসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা থোইনা কান্নবা ফংখিদে। লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌখ্রবা মতুংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া টুদে টিভিদা পীখিবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা ডা. গুলেরিয়ানা হায়খি, দিল্লি অমসুং মুম্বাই য়াওনা সিটি খরদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌনা কোভিদ-১৯ শন্দো-রক্লে হায়বগী চিংনবা লৈরে। মীওই অয়াম্বনা লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্না চৎখিদবা মরম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং কা-হেন্না য়ামখৎলকখিবনি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস ২,৬০,২৯৩ য়ৌরে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মীশি ৭,২৬৩ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১,২৫,৬৪১ নি। মালেমগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ৭১,৩২,৪৮৬ য়ৌরে। শিখিবা মীশিং ৪,০৭,১২৮ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৩৪,৮০,১৬০ নি।

অমরোমদা, প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি)গী দিরেক্টর

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংনা থকশি-খাশি ঙাকসি, মমা-মপা ওইবশিংনসু চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা হায়বীয়ু : সী এম

‘হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচরগী ওফিসলশিংঁ য়াওনা টাস্ক ফোর্সসু শেম্লে’

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) : ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থোঙ থিনবনচিংবা থৌওং চথবা অমদি চুড়াচান্দপুরদা হাংবা ক্বারন্টিনদা জগোয়নচিংবা শাবা থৌওং অসি চথবীগনু। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংদা থকশি-খাসি ঙাকসি। মমা-মপা ওইবশিংনসু চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা হায়বীয়ু হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

সঞ্জেঙ্থোংদা লৈবা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিরেক্টোরেটকী কমপ্লেক্সতা ঙসি প্লান্ট হেল্থ ক্লিনিক হাংদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মপান লমদা লৈরিবা লমদমসিগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়া য়েংলগা লৈঙাক্না মণিপুরদা পুশিল্লক্লবা থবক পায়খৎপনি। মীওই ৩৫,০০০গী ময়াদা হল্লক্লবা গাড়ী শীনবা অমদি লৈফম-চাফমগী থৌরাং তৌনবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। হৌজিক ফ্লাইটসু পাইবা হৌরকপনা হান্না থৌরাং তৌরুদবা মওংদা মীওই কয়া অমসু হল্লকপা অসিনা ক্বারন্টিনদা থম্নবগী শীন-লাংবদা অৱাবা কয়া থেংনরি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিঙৈ মনুংদা চৎনগদবা কাঙলোন কয়া লৈ। ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংনা গেট নোম্বনচিংবা থৌওং চথখিবা অদু কন্দেম তৌই। চুড়াচান্দপুরদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা জগোয়নচিংবা শাবগী থৌওং চথ্বদু চুমদে। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংনা থকশি-খাশি ঙাক্না চৎপীয়ু। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা চৎন-কাঙলোনশিং অদু নীংথিনা হায়বীয়ু। হৌজিক ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিং টেষ্ট তৌদুনা পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরকপশিং লায়েংবগী থবক কন্না চথরি।

ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী ক্বারন্টিন সেন্টর অদুদা লৈরিবশিংগী মনুংদা মীওই অমা পোজিটিভ ওইরকখি। মহাক লায়েংনবগীদমক এম্বুলেন্সতা পুনবগী শীন্নরিঙৈদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫